# ৱায়েল কাতি

WAYEL KATI

Evening Newspaper

Vol. 1, Issue 172 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং–৩৪২৩–২৪ | ইম্ফল, পোইনুগী ১৪।১৫নি পানবা, শগোলশেল, দিসেম্বর ৪, ২০২৫ ইং | মমল লুপা ২।–


## মখা তানা থৌ পুরগনি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ৪ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী এদভাইজরশিং অমসুং একজিক্যুটিভ কাউন্সিলনা লৌখিবা ৱারেপ মতুং ইন্না লুপ অসিগী ২০শুবা ফেদরেল একজিক্যুটিভ কাউন্সিল ২০২৩–২৫ অসি ২০২৭ ফাওবা মখা তানা থৌ পুহন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়রি।

দিসেম্বর ৩দা এম এস এফকী ময়াই লোইশঙদা লূপ অসিগী এদভাইজর ঙারিয়ানফম মিলন, ওইনাম অম্বিকুমার, কেঐচ সেরাজউদ্দিন, রঞ্জিতা এলাংবম অমদি প্রসিদেন্ট হিজম রোসননা ময়াই তাংবল লৌদুনা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ২০শুবা ফেদ্দরেল একজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মেম্বরশিং কুমজা ২০২৭ ফাওবা মখা তানা থৌ পুহন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি।

## হেল্‌থ কেম্প

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ৪ (ৱায়েল কাতি)ঃ** কৈরাও মাক্তিং সাবল লৈকায়দা কৃপা সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট অমদি কৈরাও কৈরাও মাক্তিং য়ুঠ ক্লব (কে এম ৱাই সি)না মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি (মেক্স)কা খুৎশম্নদুনা ঙরাং ইন্টিগ্রেটেদ হেল্‌থ কেম্প পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা নুপা, নুপী অঙাংশিং য়াওনা মীওই ৩০০ হেনবনা শরুক য়াখি। মীওইশিং অদু লেম্না লায়েংখিবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকশিংসু লেম্না ফংহনখি।

## রিন্যু তৌবা য়ারগনি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ৪ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুরদা চহী ১৫ দগী ২০ হেল্লবা অরিবা গাড়িশিংগী ফিটনেশ সার্টিফিকেট লৌরগা রিন্যু তৌবা য়ারগনি হায়না এদিস্নেল চিফ সেক্রেটরি (ট্রান্সপোর্ট) অনুরাগ বাসপাইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী ওর্দর অমা হৌখিবা অগষ্ট ২০দা থোকখিবা অদুগা চান্নহন্নবা মওংদা অরিবা গাড়িশিং টেক্স থীরগা রিন্যু তৌবা য়াহনবনি হায়রি।

## আইপি এসতা প্রমোসন

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ৪ (ৱায়েল কাতি)ঃ** য়ুনিয়ন পব্লিক সার্ভিস কম্মিসননা এপ্রুভ তৌরকপগী মতুং ইন্না এম পি এস ওফিসার ৬ আই পি এসতা প্রমোসন পীরে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে। আই পি এসতা প্রমোসন ফংলবশিং অদুদি বেমবেম নোংথোম্বম, প্রিয়াদর্সিনি লাইশ্রম, মুহমদ জাকিরুদ্দিন, রাজকুমার মনবিন্দু সিংহ, সরাংথেম অশানা অমসুং ডাঃ সরাংথেম ইবোমচা সিংহনি।

## হয়েংগী নোংদম

০৫। ১২। ২০২৫

–এষ্ট্রো–কন্সল্টেন্ট হেম

মেষ – ৱাখল লৌশিং থোকপা থবক তৌবদা মায় পাকপা পীরি। লম চৎপা অফবা নুমিৎনি।

বৃষ –অদুক য়াম্না অফবা নুমিৎমক্লি হায়বা য়াদে। অদুবু শেল থুম লাকপগী লম্বীদি লৈ।

মিথুন– মহৈরোইশিংগী ওইনা অফবা নুমিৎনি। লল্লোন ইতিক তৌবশিং অদুম কান্নবা ফংগনি।

কর্কট –থবক তৌবদা মায় পাক্তবা ৱাখল শোন্থবা পীরি। পুক্নিংগী ঈহুলদা ৱারেপ লৌগনু।

সিংহ–অঙম অথৌশিংনা চানবীবা, থবক তৌবদা মায় পাকচবা নুমিৎনি। চেকশিন্না হোৎনৌ।

কন্যা –শেল থুমগী লমদা চরাংনবা লৈরম্বশিং লৈতরগনি। ঈং চিক্লা লৈবা ঙমজরগনি।

তুলা–মরুপ–মপাংগী মরী ফগাৎলগনি। অনৌবা থবক পায়বা য়াবা মতমনি। লন–থুম ফংগনি।

বৃশ্চিক–অপীকপা ইশু খরদা কোক শাবা পীরি। ৱা ঙাংবদা য়ারিমখৈ চেকশিল্ল,অফবা ওইগনি।

ধনু– থবক তৌনবা লম–তু চৎপদা কান্নবা ফংগনি। মহৈরোইশিং ১সুং থবক থীরিবশিং কান্নগনি।

মকর– তুংগী পুন্সিরোল শেমগৎচবগী অফবা নুমিৎনি। লল্লোন ইতিক্তা শেল ফংগনি।

কুম্ভ– থেংনগদবা অচৌবা থবক্কী ৱারেপতি ঙসিগী ওইনা লৌগনু। হকচাংগীদমক চেকশিল্ল।

মীন – থবক তৌবদা মায় পাকপা চাওখৎচবা মতমনি। নুংঙাই–য়াইফবগী পাউজেল লাক্কনি।

# পাক–শন্না পোম্পি থারকপা, লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা লম্বী শেমজিল্লকপগী মতাংদা ট্রাইবস কাউন্সিলনা পিএমদা ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল দিসেম্বর ৪(ৱায়েল কাতি)ঃ** অয়াবা য়াওদনা মীতোপ চঙলকপগী মতাংদা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না জোইন্ট ট্রাইবস কাউন্সিল, মণিপুরনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা চেরোল থাদুনা ৱাকৎখ্রে।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদসু কোপ্পি অমা য়ৌখিবা ৱাকৎ চেরোল অদুনা হায়, থিংবীনবা লৈতবা মওংদা মীতোপ চঙশিল্লকপনা মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরকপগা লোয়ননা দিমোগ্রাফি ইমবেলেন্স কায়হল্লক্লে। হৌখিবা চহী খরগী মনুংদা লানগী চৈথেং নংলবা ম্যান্মার অমসুং য়ুল্লোন্নরিবা ষ্টেটশিংদগী মীতোপ কয়া অথিংবা লৈতনা চঙশিল্লক্লি। মীতোপ কয়া চঙশিল্লকপনা মরম ওইরগা মণিপুরগী কলচরেল আইদেন্টিটি অমসুং শেল থুমগী ফিভমদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লকপগা লোয়ননা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী পুন্সি মহিংদা চাওনা শীংনরক্লে। মরু ওইবা হায়ৱে পরিং মনাক্তা অনৌবা খুল কয়া শেমগৎলকপগা লোয়ননা মফম কয়াদা পাক–শন্না উমং কোকথোক্তুনা পোম্পি পান্বী থাবগী থৌওং চত্থরকপা থেংনরে। মপান্দগী চঙলকপা মীতোপশিংনা পোম্পি থাবগী থবক পায়খৎপদা খূৎলায় মতিক

| Kuki-chin | | Naga | |
|---|---|---|---|
| Year | No. of population | Year | No.of population |
| 1881 | 10,423 | 1881 | 66046 |
| 1901 | 40,128 | 1901 | 59674 |
| 1911 | 53,891 | 1911 | 73863 |
| 1931 | 69,385 | 1931 | 89742 |
| 1951 | 80,437 | 1951 | 107837 |
| 1961 | 1,06,043 | 1961 | 143092 |
| 1971 | 1,70,379 | 1971 | 162860 |
| 1981 | 1,95,442 | 1981 | 191248 |
| 1991 | 3,12,744 | 1991 | 311652 |
| 2001 | 4,25,845 | 2001 | 494106 |
| 2011 | 5,11,546 | 2011 | 635070 |

চানা পায়বা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা ঙাক শেন্দুনা লৈরি। হায়রিবা মীওইশিং অদুনা নেস্নেল হায়ৱেশিংদা চৎলিবা কর্ম্মসিয়েল ভেহিকলশিংদগী ইল্লিগেল টেক্স লৌবগা লোয়ননা নাগা ফুরুপনা খুন্দাবা মফমশিংদা পাক শন্না নাগা থাবগী থৌওং চত্থরক্লে।

থৌওং অসিনা ইনভাইরোনমেন্টতা চাওনা অকায়বা থোকহল্লকপগা লোয়ননা পব্লিক হেল্‌থ অমদি নেস্নেল সেক্যুরিতিদসু চাওনা শীংনরক্লে। মপান্দগী চঙলকপা খূৎলায় পায়বা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল তম্পাক্তা লৈরিবা অখন্নবা ফুরুপকী মীওইশিং নেস্নেল হায়ৱেদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থল্লি। নাগাশিংগী অশেংবা লম মখোয়গীনি হায়না ক্লেইম তৌরকপগা লোয়ননা সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দ ফাওবা তৌরক্লে। য়েলহৌ ফুরুপশিংগী অয়াবা য়াওদনা তোঙান তোঙানবা খুলশিং ফাওনহন্নবা ইন্টর ভিল্লেজ রোদ শেমগৎলক্লে। নাগাগী লমদা তাইগর রোদ অমদি জর্মন রোদ হায়না মিংথোনবা লম্বী শেমজিল্লত্তু না য়েলহৌমীশিংদা চাওনা শীংনরক্লে। মসিনা মরম ওইরগা য়েলহৌমীশিং তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লৈরে পল্লি।

মেমোরেন্দম অদুদা মখা তানা হায়, লমদম অসিগী অশেংবা য়েলহৌমীশিং মশাগী লমদা রিফ্যুজি ওইনা হিংলকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। কুকিশিংনা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মথক্তা চত্থখিবা কা হেনবা থৌওংশিংগী মতাংদা পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ১৮৮৮ তা চসাদ কুকিশিংনা শিফোঙ নাগা ভিল্লেজতা এটেক চত্থদদুনা মীওই কয়া হাৎলকপদগী নাগা কয়া খুন থাদোক্তুনা চেন্নখি। কুমজা ১৮৯২ দা চীংজারোই ভিল্লেজতা কুকিশিংনা মীওই ২৮৬ হাৎখিবগা লোয়ননা লন–থুম কয়ামরুম লুট তৌখি। ১৯শুবা চহীচাগী অথেংবদা কবুই ভিল্লেজ ২০ অমাঙ–অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা মীঁওই ২৭৬ মঙক কক্তুনা হাৎখি। কুমজা ১৮৮০গী ফেব্রুৱারীদা চসাদ কুকিশিংনা চিংশো তাঙ্খুল ভিল্লেজতা এটেক চত্থদুনা মীওই ৪৫ হাৎখি। কুমজা ১৯০৫ তা মকুই জেলিয়াংরোং ভিল্লেজতা থেঙ্খাং অনিরক এটেক চত্থদুনা মীওই ৬৯ হাৎখি। কুমজা ১৯১৭ তগী ১৯১৯ ফাওবদা কুকিশিংনা তিনতোংরিদা এটেক তৌদুনা নোংমা খক্তদা নাগা ২৮৯ অমসুং মৈতৈ ৪ হাৎখি। অৱাং কাসোমদা খুঞ্জা কয়া হাৎখিবগা লোয়ননা মকোই ভিল্লেজতা নাগা ৭০, দাইলোং ভিল্লেজতা নাগা ১০, অখুই(চান্দাই) ভিল্লেজতা নাগা ১০, অৱাং খুল (লুংচম ভিল্লেজতা), মোংজারোং (বোনরোং খুন্নৌ)দা নাগা ৩৯, খারম ভিল্লেজতা খারম নাগা ২৫০,গোইতাম নুঙ্গাদাম ভিল্লেজতা ১৭৬, কাসোম তাঙ্খুল ভিল্লেজতা নাগা ৪৫, লমদাংমাই চিরু ভিল্লেজতা মীওই ৩৫, ঙারিয়ান কবুই নাগা ভিল্লেজতা ৪, খোঙহাখুল কবুই নাগা ভিল্লেজতা ২৬, খারম পিলেম ভিল্লেজতা ৩৫, পুংশুম চীংমাইখুন্নৌ কবুইনাগা ভিল্লেজত ২১ নচিংবনি হায়না পল্লি।

### মণিপুরদা এসেমব্লি ইলেক্সনগী মনম নম্বা হৌরক্লে

# পোলিটিক্সতগী নাথৈরুরবা ইরেংবম হেমোচন্দ্র এন পি পিগী ভি পি হাপখ্রে



**ইম্ফাল দিসেম্বর ৪(ৱায়েল কাতি)ঃ** কুমজা ২০২৭ তা পাঙথোক্কদবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলগী মনম নম্বা হৌরক্লে। ইন্দিয়ান নেস্নেল কোংগ্রেসতগী তোক্লগা মতম খরা পোলিটিক্সতগী নাথৈদুনা লৈরুরবা তুংদা শিংজমৈ এসিগী হান্নগী এম এল এ ইরেংবম হেমোচন্দ্র নেস্নেল পিপলস পার্টি (এন পি পি)দা চঙখিবগা লোয়ননা পার্টি অসিগী নেস্নেল ভাইস প্রসিদেন্ট হাপখ্রে।

নেস্নেল প্রসিদেন্ট কোনরাদ কে সংমানা ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না ইরেংবম হেমোচন্দ্রবু এন পি পিগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১১ গী মখাদা কুমজা ২০২৫–২৮ ফাওবগী নেস্নেল ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খুদক্তগী থবক পায়ননবা খঙহনখ্রে।

আই হেমোচন্দ্রদা ফম পুনবা শীন্নরিবা নেস্নেল ভাইস প্রসিদেন্টগী ফম অসি মণিপুরগী দেপ্যুতি চিফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমারনা মতম খরা পুরম্বনি। মদুগী মতুংদা মহাক ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট ওইনা মতম খরগী থৌ পুহল্লকখি। অদুগা হৌজিক্লা পার্টি অসিনা কাওথোক্লগা থল্লি।

ইরেংবম হেমোচন্দ্রমতম অমদা মণিপুরগী পোলিটিক্সতা মমিং য়াম্না চৎপা ইরেংবম তোম্পোক্কী মচানুপানি। মহাক মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি স্পিকর ওইরম্বতা নত্তনা কয়ারক হন্না মিনিষ্টর ওইরল্লবনি। মহাক কুমজা ১৯৬৫কী ফেব্রুৱারী ১৩ দা পোকখিবনি। অদুগা অপোকপা লৈখিদ্রবা মতুং য়াম্না নৌনা হায়বদি কুমজা ১৯৯১দা পোলিটিক্সতা চঙলকপগা লোয়ননা শিংজমৈ এসিগী এম এল এ ওইরকখিবনি। মহাক কুমজা ২০১০ দগী ২০১২ ফাওবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ওইরম্মী।

### মপাল্লমগী পাউ

# ইন্দিগোগী ষ্টাফ ৱাৎপদগী ফ্লাইট ৩০০ হেন্না কেন্সেল তৌখ্রে

**ন্যু দিল্লি , দিসেম্বর ৪ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ইন্দিগোগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাইগদবা ফ্লাইট ৩০০ হেন্না কেন্সেল তৌখিবদগী দিল্লি, হাইদ্রবাদ, কোলকাতা, বেঙ্গলুরু অমদি অতৈ মফম খরদা পেসেঞ্জর লিশিং কয়ানা খুদোংচাদবা মায়োক্লখ্রে। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইন্দিগোগী ফ্লাইট ১০০ হেন্না কেন্সেল তৌখি। ঙরাংসু ফ্লাইট হেন্না কেন্সেল তৌখি। মমাঙ থাদা লৈঙাক্লা থোকখিবা অনৌবা রেগুলেসন অমনা মরম ওইরগা পাইলোট অমসুং ক্রু ৱাৎপদগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পাইগদবা ইন্দিগোগী ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখিবনি। দাইরেক্টোরেট জেনরেল ওফ সিভিল এভিয়েসন (দি জি সি এ)না থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না পাইলোট অমদি কেবিন ক্রুনা কোপিটতা লৈবগী অকক্লবা মতম লেপখি। মীচম মীয়াম অমদি পেসেঞ্জরশিং শাফনবগী পান্দমদা লৈঙাক্লা ওর্দর অদু থোকখিবনি। পাইলেট অমদি ষ্টাফ ৱাৎপা ইন্দিগোগীদমক্তদি রেগুলর ফ্লাইট সার্ভিস তৌবদা চাওনা অৱাবা মায়োক্লখি।

# জে–ই–এমগী নুপী জিহাদি লিশিং ৫ না সুইসাইদ এটেক চত্থনবা শেম শারে

**ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ৪(ৱায়েল কাতি)ঃ** পাকিস্তান্দা বেজ তৌবা জাইশ–ই–মহমদ (জে ই এম)গী নুপী জিহাদি লিশিং ৫ রোমনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবাশিংদা সুইসাইদ এটেক চত্থনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়বা ৱাফম অমা খঙনরে।

জে–ই–এমগী লুচিংবা মাসুদ অঝরনা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকখিবা পোষ্ট অমদগী ৱাফম অসি খঙনরকখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়, নিংথিনা ট্রেনিং তৌরবা জে–ই–এমগী নুপী জিহাদি লিশিং ৫ রোমনা সুইসাইদ এটেক চত্থনবা শেম শারে। ৱাফম অসি খঙলকপদগী অখন্নবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন–থৌরাং লৌখৎপা হৌরে হায়রি। মাসুদ অঝরনা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপগী পোষ্ট অমগী মতুং ইন্না নুপী জিহাদিশিং নিংথিনা ট্রেনিং পীরগা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা সুইসাইদ এটেক চত্থনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। পাকিস্তান ওক্যুপাই কাশ্মির (পি ও কে)গী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা টেরোরিষ্ট গ্রুপ অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর হাংদোক্তনা নুপী জিহাদিশিং ট্রেনিং পীবগী থবক লেপ্তনা চত্থরি হায়রি।

# লমদম অসিগী ইকোনোমি চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা নুপীশিংনা চাওরবা থৌদাং লৌরিঃ অরুনকুমার

**ইম্ফাল দিসেম্বর ৪ (ৱায়েল কাতি)ঃ** লমদম অসিগী ইকোনোমি চাওখৎনবা হোৎনবদা নুপীশিংনা চাওরবা থৌদাং কয়া লৌরি হায়না ৱাঙ্খৈ কেন্দ্রগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি নেরোকা ফুটবোল গ্রাউন্দ, সঙাকফমদা লিয়াংমাই ইম্ফাল মার্কেটকী ১১ রকশুবা থৌরমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি।

নেরোকা ফুটবোল গ্রাউন্দদা লিয়াংমাই ৱুমেন্স ভেন্দর ৪০০ রোমনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা লিয়াংমাই ইম্ফাল মার্কেটকী থৌরমগা মরী লৈননা এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা হায়, লমদম অসিদা ফল্লিবা তোঙান তোঙানবা মার্কেটশিংদা য়োল্লিবা মখল মখা কয়াগী হিদাক চহীবা পোৎলমশিং লৈদুনা চারুবনা ঙসিদি মীওইবা ঐখোয়দা লায়না–তিন্না কয়া নারকপা থেংনরে। অসিগুম্বা খুদোংথিবা কয়া অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা ওর্গানিক ওইবা মনা মশিং ঐখোয়না চাবা মথৌ তাই। তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা লিয়াংমাই ফুরুপকী ইচিন ইনাওশিংনা তম্পাক্কী মফম কয়াদা চৎ–চৎতুনা মখোয়না পুথোকচবা ওর্গানিক ওইবা মনা–মশিং কয়া য়োনবগী থবক চত্থরকপা অসিনা চীংমী–তম্মী অনিগী মরক্তা হেন্না নুংশিনবা পুরকপদসু চাওনা মতেং পাংলি হায়খি।

# ইম্ফাল এয়রপোর্টকী ইন্টিগ্রেটেদ টর্মিনেল বিল্ডিং মতমগা চান্ননা শেমগৎনবা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল দিসেম্বর ৪(ৱায়েল কাতি)ঃ** ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেস্নেল এয়রপোর্টকী নৌনা শেমগৎ–শাগৎলিবা ইন্টিগ্রেটেদ টর্মিনেল বিল্ডিং মতমগা চান্ননা শেমগৎনবা মণিপুর লৈঙাক্কী এদিস্নেল চিফ সেক্রেটরি (ট্রান্সপোর্ট) অনুরাগ বাসপাইনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

ইম্ফাল ইন্টরনেস্নেল এয়রপোর্ট শেমগৎ–শাগৎলিবা অসিগী মতাংদা পাঙথোকপা রিভিউ মিটিং অমদা মহাক্লা ৱাফম অসি খঙহনখিবনি। রিভিউ মিটিং অদুদা এয়রপোর্ট ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগী প্রোজেক্ট টিম, মণিপুর লৈঙাক্কী ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট, ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট অমদি অনৌবা ইন্টিগ্রেটেদ টর্মিনেল বিল্ডিং অসিবু শেম শারিবা এজেন্সিগী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।মীফম অদুদা এয়রপোর্ট অসিগী কার্গো টর্মিনেল অথুবদা থবক হৌনবগী অকুপ্পা ৱারোল য়াওবা এক্সন প্লান অমা ফাইনেলাইজ তৌখি। লোয়ননা নেস্নেল হায়ৱেদগী ন্যু ইন্টিগ্রেটেদ বিল্ডিং তম্না লাক্কদবা লেন্দ ৬ কী লম্বী অসিসু ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা অথুবদা থবক হৌননবা অমদি অপীবা মতমগী মনুংদা লোইশিন্নবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি। লোয়ননা ইম্ফাল ইন্টরনেস্নেল এয়রপোর্টকী পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং খুমাঙ চাওশিন্নবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পুম্নমকসু পাংগনি হায়বগী থাজবা মরী লৈনবশিংদা এদিস্নেল চিফ সেক্রেটরিরনা থাজবা পীখি।

# মফম হোং হোংলগা পাঙথোক্লিবা হাউসি খুদক্তা থিংমিন্নসিঃ বোদি

**ইম্ফাল দিসেম্বর ৪(ৱায়েল কাতি)ঃ** মীওই খরনা মফম হোং–হোংলগা শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা হাউসি তৌরিবসি ক্লাস ৱানদগী কোলেজ ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোইশিংগী একজাম তৌরিবা মরমনা লমদম অসিদা লৈরিবা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনশিং অমদি লৈকায় লৈকায়গী ক্লব, মৈরা পায়বীশিংনা পুন্না থিংমিন্নসি হায়না কোওর্দিটিং বোদি, খুরাইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরদা হৌজিক খম থেংনা ৱানরবা মতম অসিদা মফম কয়াদা ফন্দ দ্রাইভকী মিংদা হাউসি পাঙথোক্লিবসি খুদক্তা থিংহৌদ্রবদি খুন্নাই অসি মুৎলকপগী লম্বেলদা নোংমা নোংমগী লৈখা তারকপগী মওংদা লৈরে। চহী ২ মখায় ফারবা ঈরাং অসিনা মরম ওইৱগা মীয়াম্না শুফম নোম্ফম খঙদনা লৈরিঙৈগী চৈরক অসিদা শেল তানফমঅমা ওইনা চয়োল খুদিংগী হাউসি তৌশিল্লকপসি পুম্নমক্কী ওইনা লাইবক থীবনি। লৈঙাক্লা লগাও খাওবদা অথিংবা থল্লগা হাউসি তৌবদনা অথিংবা থমদ্রিবসি য়ানিংদে। লৈবাক অমগী তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদৌরবা মহৈরোইশিংগী একজামদা অকায়বা থোকহন্দনবা খুদক্তগী হাউসি থিংননবা থৌরাং লৌখৎমিন্নসি হায়রি।

# সেসন হৌদ্রিঙৈদো বোর্দনা টেক্সবুকশিং মতম চানা ফংহনগদবনিঃ ফেসোক

**ইম্ফাল দিসেম্বর ৪(ৱায়েল কাতি)ঃ** বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (বোসেম)না প্রেস্ক্রাইপ তৌদুনা ক্লাস ৱাদগী ক্লাস তেন ফাওবা তম্নরিবা সবজেক্ট খুদিংমক্কী টেক্স বুকশিং অনৌবা একাদেমিক সেসন হৌদ্রিঙৈদো মহৈরোইশিংদা ফংহনগদবনি হায়না ফেদরেল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, কংলৈপাক (ফেসোক)না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিগী এদুকেসন এন্দ লাইব্রেরি সেক্রেটরি সোইবম দেভিদনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, চহী খুদিংগী সেসন হৌখ্রবা ফাওবা মহৈরোইশিংনা তম্নবা লাইরিক ফংদবগী অৱাবা লাক্লবসু কুমশি চহীদগী বোসেমনা থৌদাং লৌদুনা মহৈরোইশিংগী খল্লগা অৱাবা অসি কোকহনগদবনি। মহৈরোইশিংনা তম্নবা ফোঙলিবা লাইরিক খুদিংমক্কী পেপরশিং অদু ক্বালিতি লৈহনগদবনি। চহী খুদিংগী থেংনরিবা অৱাবশিং অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদ্রিবা বোসেমনা করিগুম্বা থৌশাদবদগী মহৈরোইশিংদা মতম চানা লাইরিক ফংহন্দ্রবদি মদুদা থোরকপা অফ–ফত্তা পুম্নমক্কী তেকচাক পুগদবনি হায়না ফেসোকনা থাদোরকপা অসিদা পল্লক্লি।

# এমেস্কোনা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংদা ইকাই খুম্নবা উৎলক্লি

**ইম্ফাল দিসেম্বর ৪(ৱায়েল কাতি)ঃ** ওল মণিপুর ইঠনিকেল সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন (এমেস্কো)গী ৩৩রক শুবা মপোক কুমওন লাকপদা লুপ অসিনা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎলক্লি।

ওর্গনাইজেসন অসিগী সেক্রেটরি দিপু ৱাঙ্খেমনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ১৯৯২গী দিসেম্বর ৪ দা লিংখৎখিবা এমেস্কোনা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা অৱা–নুংঙাই ৱারী লীনরকপা চহী ৩৩ মপুং ফারকপগী থৌরম এমেস্কোগী ময়াই লোইশঙদা প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম চীংলেম্বা, এদভাইজর ব্রোজেন্দ্রো নাওরেম অমদি হান্নগী প্রসিদেন্ট অথাই গামৈনা মরু ওইবা মীথুংলেন ওইদুনা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা পাঙথোকখি। লমদম অসিদা ঙসি হিংমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা তংদু লৈতাদবা ফিভম মায়োক্নরিবসি কোকহন্নবা থৌনিবগা লোয়ননা অপূনবগী শক্তম কায়হন্দনবা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংদা ইকাই খুম্নবা উৎতুনা হৈকৎ–লৈকৎ তম্বনা মপুং ওইবা থৌরম ওইখি। লমদম অসিগী নাৎ, চৎনবী অমদি লাইনিং লাইশোনদা মীতৌ তমদুনা মচু শংজিল্লক্লিবসি থিংমিন্নহৌসি হায়রি।

# মীয়াম্না নুংনাংবা ফোঙদোরক্লকপদগী মোবাইল হেন্দসেটশিংদা সাইবরসেক্যুরিতি এপ্প ইন্সটোল তৌহন্নবা থৌরাং হন্দোকখ্রে

**ইম্ফাল দিসেম্বর ৪(ৱায়েল কাতি) ঃ** মায়কৈ কয়াদগী মীয়াম্না নুংনাংবা ফোঙদোক্লরকপদগী মোবাইল হেন্দসেট খুদিংমক্তা সাইবরসেক্যুরিতি এপ্প ইন্সটোল তৌগদবনি হায়বা দিপার্টমেন্ট ওফ টেলিকম্যুনিকেসনগী থৌরাং অদু খোঙফম হন্দোকখ্রে।

হেন্দসেট খুদিংমক্তা সঞ্চার সাথি মোবাইল এপ্লিকেসন ইন্সটোল তৌগদবনি হায়বা থৌরাং অদুগী মায়োক্তা ঙরাং ওপোজিসননা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপদগী পার্লিয়ামেন্টতা চরাংনবা থোকখি। ক্বেসন অৱারগী মতমদা কোংগ্রেসকী এমপি দিপেন্দ্র হুদানা হিরম অসিগী মতাংদা হায়খি, লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা মীচম মীয়ামগী প্রাইভেসিদা খূৎ থিংজিনবা ওইনা থোক্কনি। কন্সটিট্যুসনগী ৱাংমদা লন্নাই মীওইশিংগী নিংতম্বদা খূৎ থিংজিনবা চুমদে হায়বা ৱাফমসু পুখৎখি।



ৱাফম অদু তারবা তুংদা টেলিকম্যুনিকেসন মিনিষ্টর য়্যোতিরাদিট্যা সিন্ধিয়ানা লোক সভাদা হায়খি, লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা থৌরাং অসিমক শুংশোয় শোয়দনা চৎনহনগনি হায়বা লৈতে। তঙাইফদ্রবদি লৈঙাক্কী ওর্দর অদু শেমদোক শেমজিন তৌগনি। মোবাইল হেন্দসেট খুদিংমক্ত সঞ্চার সাথি এপ্প ইন্সটোল তৌহনবগী





মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা হায়খি, এপ্প অসিগী কান্নবা অমসুং কান্নদবা কয়ামরুম লৈ। কান্নবা খরদং পনবা তারবদি, কনাগুম্বনা মোবাইল হেন্দসেট হুরানখিবা মতমদা ইরাই লাইনা ব্লোক তৌবা য়াগনি। টেলিফোনগী খুথাংদা কনাগুম্বনা নমথাক তৌবগী থৌওং চত্থবা ঙম্লোই। লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা চত্থরিবা দিজিটেল ফ্রোদকী কেস লাকশিনবদা চাওনা মতেং ওইনগনি হায়রি। এপ্প অসিগী কান্নদবা অমসুং খুদোংথিনিংঙাই ওইবশিংগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা হায়, মোবাইল ফোন শীজিন্নরিবা মীওইশিংগী রাইট টু প্রাইভেসিদা খূৎ থিংজিন্নবগী পান্দমদা লৈঙাক্লা অখন্নবা থৌরাংশিং অসি পায়খৎলকপনি। এপ্প অসি ইন্সটোল তৌরবদি মোবাইল ফোন শীজিন্নরিবা মীওই অদুনা কনা কনাগা ৱারী শান্নবগে হায়বনচিংবা পুম্নমক লৈঙাক্কী ওথোরিতিশিংনা ইরাই লাই খঙবা ঙম্লগনি।

মীওই অদুগী পার্সনেল দেতা অমদি অরোন অথুপ পুম্নমকসু ইরাই লাইনা খঙবা ঙম্লগনি। লিগেল এক্সপার্টশিংনা নুংনাংবা ফোঙদোক্লরকখ্রবা মতুংদা সেন্ট্রেল গর্ভর্নমেন্টনা এন্দ্রোইদ ফোন খুদিংমক্তা সঞ্চার সাথি এপ্প ইন্সটোল তৌগদবনি হায়বা থৌরাং অদু খোঙফম হন্দোকপা তাখি।

# মিন্ত্রাগী এন্দ ওফ রিজন সেল (ই ও আর এস) দিসেম্বর ৫দগী হৌরগনি

**ইম্ফাল দিসেম্বর ৪(ৱায়েল কাতি)ঃ** ফেশন, ব্যুতি অমসুং লাইফষ্টাইলগী মতাংদা ইন্দিয়াগী মাঙজিল থারিবা মিন্ত্রানা দিসেম্বর ৫দগী লাইভতা এন্দ ওফ রিজন সেল (ই ও আর এস) হৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। ভিআইপিগী এসেস লৈবা কষ্টমরশিংনা লুপা ১৯ অমসুং ইনসাইদরশিংনা লুপা ১দগী হৌরগা পোৎ লৈনবগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। তোঙান তোঙানবা ইন্টরনেস্নেল দোমেষ্টিক অমদি হোম গ্রাউন্দ ব্রান্দ মিল্লিয়ন ৬ রোম লৈনবগী খুদোংচাবা ফংহন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

ই ও আর অসিগী খুত্থাংদা কষ্টমরশিংনা মগুণ লৈবা ফেশন, ব্যুতি অমদি লাইফষ্টাইলগী পোৎলমশিং চান্নবা মমলদা ফংলগনি। মিন্ত্রনা ই ও আর এস ২৩ গী খুত্থাংদা ভি আই পি খক্তগী ওইবা স্পেসিয়েল ওফরসু পীরি। হিরম অসিগী মতাংদা মিন্ত্রগী রেভিন্যু এন্দ গ্রোথকী হেদ ভারতকুমারনা হায়খি, ইন্দিয়াগী ফেশন কেলেন্দরদা অনৌবা থৌরাং অসিনা মীয়ামদা চাওনা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। তোঙানতোঙানবা মখলগী পোৎলমশিং অহোংবা মমলদা ফংহন্দুনা কষ্টমরশিংদা খুদোংচাবা পীরগনি। হন্দক্কী ই ও আর এস অসিগী খুত্থাংদা মতম মতমগা চান্নবা অনৌবা মখলগী পোৎলম কয়াসু ফংহনবগা লোয়ননা অতেনবা মতমগী মনুংদা দেলিভরি তৌনবগী খুদোংচাবা পীরগনি। কনাগুম্বনা ই ও আর এসকী খুদোংচাবসি পুং ২৪ ঙনখৎনা দিসেম্বর ৪দগী পোৎচৈ লৈনবগী খুদোংচাবসু ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে। চহী খুদিংগী মিন্ত্রানা ফেশন, ব্যুতি লাইফষ্টাইলগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং অহোংবা মমলদা ফংহন্দুনা লাকপগী মখা চত্থরকপা ওইনা হন্দক চহীগী ওইনসু ই ও আর এস–২৩গী থৌরাং অসি লৌখৎতুনা তোঙান তোঙানবা মখলগী পোৎলম মিল্লিয়ন ৬ রোম হেন্না মীয়ামদা ফংহন্নবা থৌরাং তৌরে হায়রি।

# এদিটোরিয়েল

WAYEL KATI
ইম্ফল, পোইনুগী ১৪।১৫নি পানবা, শগোলশেল, দিসেম্বর ৪, ২০২৫ ইং

## মণিপুরী লোল ক্লাসিকেল লেংগ্বেজদা চন্দবা
## মণিপুরী লোলগীদমক হোৎনবা ৱাৎলি হায়বগী খূদমনি

মণিপুর হায়বা ষ্টেট অসি ইন্দিজয়াগী শরুক অমা ওইদ্রিঙৈদা মনিং মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইরম্মী হায়বা মীপুম খুদিংমক্না খঙনরে। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদুদগী হৌনা ঐখোয়গী লোল অমসুং ময়েক লৈজরম্মী। মৈতৈ লোল নৎত্রগা মণিপুরী লোল হায়বসি ষ্টেট অসিদা খুন্দারিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী ফাওনলোল ওইরম্মী। মণিপুর খক্তা নত্তনা ত্রিপুরাগী কোনুং ফাওবা মৈতৈ লোল অসি মতম অমদা মখোয়গী ওফিসিয়েল লেংগ্বেজ ওইরম্মী। হৌজিকসু লোল অসি বাংলাদেশ অমসুং ম্যান্মারদা খুন্দারিবা মৈতৈশিং অমদি অসামদা খুন্দারিবা মৈতৈ, মৈতৈ–পঙালশিংগী মরু ওইবা লোল অমসু ওইনা ঙাংনরি। ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা লোল অসিগী মরু ওইবা হৌজিক ফাওবা মাঙবা লৈত্রি। ষ্টেট অসিগী ওফিসিয়েল লেংগ্বেজসু মৈতৈ লোলনা ওইরি। মসিগীসু মথক্তা কুমজা ১৯৯২ গী অগষ্ট ৩১ দা ইন্দিয়াগী নিপালশুবা সেদ্যুলদা চনবা লোল ওইখি। ইন্দিয়াগী ওফিসিয়েল লেংগ্বেজ ওইরিবা হিন্দি অসিগী মশাগী ময়েক লৈজদে। দেবনাগরিগী ময়েক ৱাইরগা শীজিন্নরিবনি। মতৌ অসুন্না বিহারগী বোজপুরি, মরাঠি, নেপালি, কোনকানিচিংবা লোলশিংগী ময়েক অসিসু দেবনাগরি ওইনা শীজিন্নরি। বেঙ্গলি ময়েক অসি বেঙ্গল খক্তা নত্তনা অসামদসু অসামিজকী ময়েক ওইনা শীজিন্নরি। মালেমগী ওইনা লোলদি লৈবা অদুবু মশাগী ময়েক্তি লৈজদবা লোল ময়াম অমা পৈরগা লৈরি। মখোয়গী মনুংদা খরনা ইংলিসকী অলফাবেট ওইনা শীজিন্নরি। অতৈ লৈবাকশিংদনা মখোয় মখোয়গী লৈবাকশিং অদুবু খুদুম চল্লম্বা লৈবাকশিং অদুনা শীজিন্নরম্বা ময়েক অদু শীজিন্নে। লোল চাওখৎহনবা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদসু, মমাঙঙৈগী মতমদসু তঙাইফদবা ওইরগা লাকই। মসিমক্না মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী ওইনসু ক্রাইতেরিয়া খরদা য়ুম্ফম ওইরগা ক্লাসিকেল লেংগ্বেজকী থাক্তা চল্লগা লৈ। ক্লাসিকেল লোলশিং অদুদি তামিল, সংস্কৃট, কানাদা, তেলেগু, ময়ালালম অমসুং ওরিয়ানি। মালায়ালমনা কুমজা ২০১৩ দা অমসুং ওরিয়ানা কুমজা ২০১৪ দা ইন্দিয়াগী ক্লাসিকেল লেংগ্বেজ থাক্তা চনখি। ইন্দিয়াদা লৈরিবা কাঙলুপ খুদিংমক্না ঙাংনরিবা লোল খুদিংমক ক্লাসিকেল লেংগ্বেজকী থাক্ত চনবা ঙমদে। ক্লাসিকেল লেংগ্বেজতা চনগে হায়বা তারগদি মতিক ময়াই কয়ামরুম লৈতবা য়াদে। মতিক ময়াইশিং অদুগী মনুংদা য়াওরিবশিংদি লোল অদু চহী ১৫০০ দগীনা ২০০০ ফাওবগী মমাঙগী পুৱারী লৈগদবনি। মণিপুরগী ওইনা য়েংলগদি নোংদা লাইরেন পাখঙবগী পেরদখক্তদা য়েংলুরগসু চহী য়াম্বা লোল ওইরে। অদুগুম্বা লোল অদু চৎনবী কয়ানা য়োল্লগা হিংদুনা পুরকপা ওইগদবনি।

মণিপুরী লোল অসি ক্লাসিকেল লেংগ্বেজকী থাক্তা চনবা য়ারবা অমসুং মদুগী চপ চাবা মতিক ময়াই চেনবা লোল অমনি। মীরোল কয়াগী মমাঙদগী হৌনা হায়বদি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মশা মশাগী খোরিরোল লৈজবা লোলনি। খুদম ওইনা খম্বা থোইবীগী লিটরেচর, নুমিৎ কাপ্পা, অৱাং কৌব্রু অসুপ্পগী ৱারীনচিংবা অসিনি। অতোপ্পা অমনা মীঙোন্দগী ৱাইদবা, পূদবা মশাগী চৎনবগা শাগোন্নরকপা লোল ওইগদবনি। মসিমক ঐখোয়গী মৈতৈলোল অসি ওইরি। লোল অসি কনাগুম্বা অমদগী পূরুবা য়াওদে। মশাগী লোল অসিগী গ্রামার, চৎনবী অমসুং মতম মতমগী ওইনা ঙাংন–শক্নরকপদা অহোংবা নাইরগা লাকই। মণিপুরী লোল নৎত্রগা মৈতৈ লোল অসি অনৌবা লোল অমা য়েংনবদা মশক থোকপা অমা ওই। ইন্দিয়াগী অতৈ লোলশিংদা লৈরিবা মতিক ময়াইশিং অদুগা চাংদম্নবদা মণিপুরী লোল অসি অনোপ্পা লোল ওইদে। অদুবু লোল অসি লৈবাক অসিগী ক্লাসিকেল লেংগ্বেজকী থাক্তা চলহন্নবা হোৎনবীবা নৎত্রগা খন্নবীবা মীগী মশিংদি য়াম্না য়ামদে। মণিপুরী লোলনা ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখিবা লোলগী নুমিৎ কুম্বা পাঙথোকপা মতমদা ক্লাসিকেল লেংগ্বেজ হায়বদু হেক হেক নীংশিংনরকই। মরক মরক্তা রাজ্য সভাগী এমপিসু ওইরিবা মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাওবনা পার্লিয়ামেন্টতা স্পেসিয়েসন মেন্সন ওইনা পুথোকপা অমদি পব্লিক প্লেটফোর্মদা ৱা ঙাংবদা মণিপুরী লোল অসি ক্লাসিকেল লেংগ্বেজতা চন্নবা কন্না হোৎনরি হায়না হেক হেক ফোঙদোকই। করিগুম্বা মতমদনা অথুবা মতমদা চল্লগনি হায়খিবসু য়াওই। অদুবু হন্দক্তা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এমপি ডাঃ বিমোল অকোইজমনা লোক সভাদা হংখিবা অনষ্টার ক্বেসন অমগী পাউখুম পীরকপদা মণিপুরী লোল ক্লাসিকেল লেংগ্বেজকী থাক্তা চন্নবগীদমক মণিপুর গভর্নমেন্টতগী ঙসি ফাওবা রিকমেন্দ তৌরকপা লৈত্রি হায়না মিনিষ্ট্রিনা পাউখুম পীরকখি। শাথিনা ইকাইনিংঙাইনি। পাউখুম অদু লাকপদগী কমদৌনা মণিপুর লৈঙাক্না রিকমেন্দ তৌরমদ্রিবনো হায়না থিরুবা মতমদদি লৈঙাক্কী অমসুং ওফিসিয়েলশিংগী থৌশা ৱাশাদনা লৈথোক্লম্বগী খুদম ফংলে। ক্লাসিকেল লেংগ্বেজ অমা ওইবদা চঙলিবা মচাকশিং অদু খুদম চাংদমগা লোয়ননা থাঙ্গৎকদবনি। মসিগীদমক্তা দাতা ময়াম অমা খোমগৎননবা অমসুং মথৌ তাবা পুন্নমক শেমগৎননবা মণিপুর লৈঙাক্না কম্মিটি অমদা শীন্নখিবনি। মসিগীসু মথক্তা দাইরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন কৌবা অমা লৈ। মসিদসু নত্তনা দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর হায়বা অমসু লৈ। দিপার্টমেন্ট অনি অসিনা নহানমখৈ করি তৌদুনা লৈবগে হায়বসি হৌজিক খক্তদা ৱাহং ওইরক্লে। তশেংমক্কীদি মণিপুরী লোল অসি চাওখৎহন্নবা শেল থাদহনগে হায়বা তারগদি ঐখোয়গী লোল অসি ক্লাসিকেল লেংগ্বেজকী থাক্তগা চলহনগদবনি। মহৈরোই ময়াম অমনা রিসাছ তৌবদা চঙবা শেনফম মিনিষ্ট্রিনা থাদরক্কদৌরিবনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি লৈঙাক্কী অশোয়বা নৎত্রগা ওফিসিয়েলশিংগী থৌশা ৱাশাদবগী মতাংদা পল্লগা ঐখোয় চৈনরগুমসি। মখোয়গী অশোয়বদু নৈনরগুমসি। মদুগী মহুৎতা মণিপুর লৈঙাক্না রিকমেন্দ তৌহন্নবা অহোবা লৈহন্দনা শেম শারসি। অদুগা রিকমেন্দ তৌহল্লগা মিনিষ্ট্রিদা থারসি হায়জনিংই।

# ব্লদ প্রেসর ৱাংবা য়াওনা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না নাবগী চাং ৱাংখৎলকপা

মীপুম খুদিংমক মথৌ চিন্নরকপগা লোয়ননা চারক–থরুম খঙলক্তবা অমসুং হকচাং শাজেল তৌবগী মতম ফংলক্তবা মরম্না পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না নাবা মীগী মশিং নোংম–নোংমগী হেনগৎলক্লে। মেদিকেল সাইন্সনা চাউখৎলকপদগী মহীক মতায়না থোকহনবা লায়না অয়াম্বা খুদম চনশিনবা ঙম্লে। অদুবু মহীক খক্তনা ফহনবা ঙদবনিনা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়নাশিংদি অসুম অসুম মশিং হেনগৎলক্লি।

ব্লদ প্রেসর ৱাংবা হায়বসিসু পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না মখল অমনি। চাবা–থকপা মতম নাইরক্তবা, অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা অমসুং সোদিয়ম য়াওবা চিঞ্জাক (মরুওইনা থুম) কা হেন্না চাবদগী মীওই অয়াম্বা বি পি ৱাংখৎলকপনি। মালেমগী ওইনা কদায়বু নোর্মেল ব্লদ প্রেসর ওইগদগে হায়বগী মতাংদা য়েৎনবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরি। য়ুরোপ অমদি অমেরিকাগী ওইনা ১৪০। ৯০ এম এম ঐচ জিবু নোর্মেল ব্লদ প্রেসর ওইনা লৌরবসু ইন্দিয়া য়াওনা এসিয়াগী ওইনদি মহৌশাদগী চৎনরক্লবা ১২০। ৮০ বু নোর্মেল ওইনা লৌগদবনি হায়রি। পাম্বৈম নাম্মদা ওনবা ব্লদ প্রেসর (বি পি) গা অতোপ্পা নাম্মদা ওনবা বি পিগা মান্নদবা তারবদি হার্টকী লায়না ওইরকপা য়াবগী খুদমনি হায়বা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমদগী খঙলে। য়ুনিভর্সিটি ওফ এক্সেটর মেদিকেল স্কুলগী রির্ছাচরশিংনা স্কোটলেন্দদা লৈবা মীওই ৩০০০ লোম পাম্বৈম অনিমক্তা তোঙান তোঙান্না বি পি ওল্লম্মী। পাম্বৈম অনিগী মরক্তা সিষ্টোলিক ব্লদ প্রেসর ৫ এম এম ঐচ জি খেন্নরবদি থম্মোয়গী লায়নানা মরম ওইরদুনা শিবা য়াবগী রিস্ক শরুক অনিরোম হেনগৎলকই হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙলম্মী।

সিষ্টোলিক ব্লদ প্রেসর হায়বসি মথক থংবা রিদিং অদুনি। কনাগুম্বা মীওই অমগী বি পি ১২০। ৮০ ওইবা মতমদা সিষ্টোলিক্না ১২০ নি অমসুং দাইষ্টোলিক্না ৮০নি। দিল্লিগী মেক্স হোস্পিটালদা দিপার্টমেন্ট ওফ কার্দিওলোজিগী এসোসিয়েট দিরেক্টর ওইবা ডাঃ মনোজ কুমারনা হায়, ব্লদ প্রেসর ৱাংলবদি ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্কৱাংনা লৈ। এসিয়াগী মীওইশিংদনা খুদোংথিবা অসি মায়োক্নরকপা য়াবগী রিস্ক হেন্না ৱাংই। হন্দক্তা ফোঙলকখিবা ৱার্ল্ড হেলঠ রিপোর্টকী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা লৈরিবা চহী ২৫ হেল্লবা নুপা চাদা ২৩.১০ অমসুং নুপী চাদা ২২.৬০ ব্লদ প্রেসর ৱাংই হায়রি। লেপ্তনা মথৌ তৌরিবা হার্টনা চপশিল্লকপা মতমদা হার্টতগী থাদোরকপা ঈনা উতোং ফাওরগা হকচাংগী মফম শিনবা থুংনা চেল্লি। মসিগী শাফুনা ঈ উতোংদা পীবা প্রেসরবু সিষ্টোলিক ব্লদ প্রেসর (মথং থংবা মশিং) কৌই। নোর্মেলনি হায়বা লৌনবা সিষ্টোলিক বি পি দি ১২০নি। হার্টনা মথৌ তৌবদা ঙাইহাক ঙাইহাক পোত্থারিঙৈদা ঈ উতোংদা পীরকপা প্রেসরবুনা দাইষ্টোলিক ব্লদ প্রেসর কৌই। নোর্মেল ওইনা লৌনবা দাইষ্টোলিক ব্লদ প্রেসরদি ৮০নি।

য়ুরোপ অমেরিকাগী মতাংদা বি এল কে সুপরস্পেসিলিতি হোস্পিটালগী দিরেক্টর অমসুং সেনিয়র কন্সল্টেন্ট (কার্দিওলোজি) ডাঃ নিরজ ভলানা হায়, নোংচুপ লৈবাকশিংদা ব্লদ প্রেসরগী রিদিং ১৪০। ৯০ দগী হেনগৎখিবা মতমদা হাইপরটেন্সনগী লায়েং চথবা হৌনরে। থা অমগী মনুংদা ব্লদ প্রেসর হন্থহনবা ঙমদ্রবদি হিদাক্কী দোজ হেনগৎপা নত্রগা অতোপ্পা হিদাক অমা শিন্দোকপা মথৌ তাই হায়না ঐথ জোইন্ট নেসনেল কম্মিটি (জে এন সি ৮)গী রিকম্মেন্দেসন্না ফোঙদোকখি। অদুবু ইন্দিয়া য়াওনা এসিয়াগী ওইনদি নোর্মেল ব্লদ প্রেসরগী রিদিং ১২০। ৮০ ওইগদবনি হায়রি। নোংচুপ লৈবাক্কী মীওইশিংগা য়েংনবদা এসিয়াগী মীওইশিং ষ্ট্রোক অমসুং হার্টএটেক তৌগদবগী রিস্ক ৱাংবা মরম্না ১২০। ৮০ বু নোর্মেল বি পি ওইনা লৌগদবনি হায়না বি এল কে সুপরস্পেসিলিটি হোস্পিটালদা কার্দিওলোজি দিপার্টমেন্টকী চেয়রমেন ওইবা ডাঃ সুভাশ চন্দ্রনা ফোঙদোকখি।

গুরগাওনগী পরস হোস্পিটালদা সেনিয়র কন্সল্টেন্ট (কার্দিওলোজিষ্ট) ওইনা লৈবা ডাঃ ভারত কুক্রেটিনা হায়, মীপুম খুদিংমক পুন্সি মহিং শেমদোক্তুনা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎহন্দনবা হোৎনগদবনি। সোদিয়ম য়াওবা চিঞ্জাক কা হেন্না চাদবা, ব্লদ প্রেসর চাং নাইনা ওনবা অমসুং হকচাং শাজেল তৌদুনা পুন্সি মহিং শেমদোকপনা অমত্তনা ঙাইরবা পাম্বৈনি। যোগ অমদি মেদিটেসন তৌবসু কান্নগনি। হকচাংগী অৱাম্বা হেনগৎহন্দবগা লোয়ননা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা, মৈখু অমদি হিদাক মনাগী পোৎলম শিজিন্নদবা অমসুং য়ু কা হেন্না থক্তবসু মথৌ তাই।

পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না খুদিংমক পুন্সি মহিং শেমদোক্ত্রিমখৈদি ফহনবা ঙম্লোই। পুন্সি মহিং শেমদোক্তুনা ব্লদ প্রেসর হন্থহল্লবদি ষ্ট্রোক, হার্টএটেক অমদি থম্মোয়গী লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি অমসুং নুমিৎ খুদিংগী নাসপতি চারবদি ব্লদ প্রেসর হন্থরকপগা লোয়ননা হার্টকী মথৌ ফগৎলকপগী খুদম ফংই হায়রি।



## Blood Pressure Categories

| BLOOD PRESSURE CATEGORY | SYSTOLIC mm Hg (upper number) | | DIASTOLIC mm Hg (lower number) |
|---|---|---|---|
| NORMAL | LESS THAN 120 | and | LESS THAN 80 |
| ELEVATED | 120 – 129 | and | LESS THAN 80 |
| HIGH BLOOD PRESSURE (HYPERTENSION) STAGE 1 | 130 – 139 | or | 80 – 89 |
| HIGH BLOOD PRESSURE (HYPERTENSION) STAGE 2 | 140 OR HIGHER | or | 90 OR HIGHER |
| HYPERTENSIVE CRISIS (consult your doctor immediately) | HIGHER THAN 180 | and/or | HIGHER THAN 120 |

# সুবিদার হৈক্রুজম চাওবতোন সিংহ (৩)

নোংঙাল্লবদা, মার্চ ২৭ তা সুবিদার চাওবতোনসু মাওগীদমক খোঙশাল্লম্মী। মহাক্না মাওদা থুংলবা মতুং নোংমা কোনবদা হায়বদি মার্চ ২৮ দা লাইশ্রম জম্বুবান মেঞ্জোরনা লান্মী ১০০ পুদুনা থুংলখি। মার্চ ২৯দা কোহিমারোমদগী বৃটিশ সিফাই ময়াম থোমজিল্লক্তুনা মাওদা কাপ্লখি। বৃটিশ লান্মীনা তকশিল্লকপদগী সুবিদার চাওবতোন মহাক্কী কাঙবুগা লোয়ননা কারোং তম্না হন্দোরকখি অমসুং সেনাপতিদা লান্মী থোমজিনবীরক্নবা চিঠি ইরম্মী। কোনুংদা পাউ অদু ফংবদগী কর্নেল শামুবু লান্মী ২০০ গা লোয়ননা থারক্লম্মী। লান্মীশিং অদু এপ্রিল ৪ দা কারোং য়ৌরকখি। অদুবু য়েক্নবনা হেঞ্জিল্লকপদগী হন্দোরকখি।

লান লোয়রবা মতুংদা য়েক্নবনা মহাকপু ফাখি অমসুং মহাক য়াওনা মীওই ৮ মতম অদুগী চিফ পোলিটিকেল ওফিসার, মেজর মেক্সৱেলনা লুচিংবা ত্রাইবুনেলনা বিচার তৌখি। ইং ১৮৯১ গী অগষ্ট ৩দগী হৌখিবা বিচার অদুগী রাই সেপ্টেম্বর ৭তা হায়দোকখি। রাই অদুনা সুবিদার চাওবতোন অসি মখোয় ৮ গী লুচিংবনি অমসুং ময়াংখাং বঙ্গলোদা লান্দাদুনা ও ব্রাইনবু হাৎখিবা অমসুং নাম্থোক্তুনা চেনখ্রবা মিঃ মেলভিলবু কোইথি থিদুনা হাৎখিবা অমসুং সেকমাইগী বঙ্গলোদা বৃটিশ সিফাইশিংদা লান্দাখিবা পুন্নমক মহাক্কী লুচিং মখাদনি হায়না মরাল শীখি। মসিগী মথক্তা, মহাক ক্বিন ইমপ্রেসকী মথক্তা লান হৌবসু য়াওই হায়বা মরাল শীখি। নীংশিংবা য়াবদি, মার্চ ২৫ গী নুমিদাংদা মণিপুরী লান্মীশিংনা ময়াংখাং খুঞ্জাশিংগা খুৎশন্নরগা ময়াংখাং বঙ্গলোদা লৈরিবা বৃটিশ কাঙবুদা লান্দাদুনা মিঃ ও ব্রাইনবু হাৎখি। মিঃ মেলভিলদি নোংমৈ মরু অনী পাল্লবসু শোক্না শোক্না নাম্থোকখিবনি। অদুম ওইনমক, নোংঙাল্লগা কাঙবু কাঙবু খায়দোক্নদুনা থিনবদা ময়াংখাং খুঞ্জা চরাই অমসুং মাগী খোঙবুনা মিঃ মেলভিলবু ফংখি অমসুং চরাইনা মহাকপু মঙক কক্তুনা হাৎখিবনি। ত্রাইবুনেলগী রাই মতুং ইন্না মখোয় ৮গী মনুংদা চরাই অমসুং সুবিদার চাওবতোনবু শিবগী চৈরাক পীবা, অতৈ ৬না লোই থাবা হায়বা রাই তারম্মী। তারিবা রাই অদু মণিপুর ফিল্ড ফোর্সকী কম্মান্দর মেজর জেনরেল ঐচ কোলেটনা অয়াবা পীরবসু ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী ফোরেইন দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরিনা ইং ১৮৯১ গী অগষ্ট ১১ দা অসামগী চিফ কম্মিস্নারদা থারকপা টেলিগ্রাম নং ১৬০৯ গী মতুং ইন্না চরাইদি ফাঁসি তৌবগী অয়াবা পীরগা সুবিদার চাওবতোনগীদি ফাঁসিগী মহুৎতা পুন্সিগী লোই থাখিবা হায়না অনৌবা রাই তারম্মী। অমরোমদা, চপা সুবিদারদি গভর্নর জেনরেল ইন কাউন্সিলনা নুংশিবীবদগী মহাক্কী দন্দি অদু কোকপীদুনা লোই থাবদা য়াওখিদে। মিঃ মেলভিলবু মঙক কক্তুনা হাৎখিবা চরাইদি ইং ১৮৯১গীওক্টোবর ১৩দা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখি।

সুবিদার চাওবতোন মমালৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্নবা লান্দা শরুক য়ারুবগীদমক মহারাজ কুলচন্দ্র ধ্বজা য়াওনা অতোপ্পা ২২ গা কলাপানিদা পুন্সিগী লোই থাখি। অদুবু বৃটিশকা মণিপুরগা মরী ফম্গৎলকপনা ওইবনরা নত্রগা বৈষ্ণব ধর্ম্মদা য়ক লাওবা, জেলগী অথোংবা চাক ইঙ্গ্নাং চাদবা অদুনরা করিনো তৌবদগী মণিপুরী বন্দিশিং অদু মথং মথং তাঙ্কক নাইনা থাদোক্নরকখি। মহাকসু অহুমশুবা তাঙ্কক্তা ইং ১৯০১ দা থাদোকখি। অদুবু মরমদম মণিপুরদা হল্লকপগী অয়াবদি পীখিদে। মহাক থাদোরক্নবা মতুংদা করি লমদা লৈখিবা অমসুং করম্বা মতমদা তাইবঙ থাদোকখি হায়বসিমদি থিজিনবগী মথৌ তারি। লুরিবদি মহাক্কী মচানি মশুনি হায়না হৌজিক ফাওবা কনানসু ক্লেইম তৌরক্তবা অসিনি।

–চোংথাম তোম্বা

## লায়েংশঙ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৪ (ৱায়েল কাতি)ঃ লমদম অসিদা নোংমা কাংদনা থোক্লিবা এক্সিদেন্টতা অশোক–অপন নংলবশিং লায়েংনবগী মতাংদা খ্বাইদগী খুদোংচাগদবা ন্যুরো ইমর্জেন্সি ত্রোমা (এন ই টি) মল্টিস্পেসিয়েলিতি হোস্পিটাল ঙসি শিংজমৈ এসিগী এম এল এ য়ুম্নাম খেমচান্দনা হৌনবী মতুং ইন্না হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হোস্পিটাল অসিগী দাইরেক্টর পার্কিসননা হায়খি, বিপি ষ্ট্রোক, গাড়ি এক্সিদেন্ট অমদি অতৈ অশোক–অপন য়াওরকপা মতমদা খুদক্কী ওইনা লায়েং চত্থনবগীদমক হোস্পিটাল অসি হাংদোকপনি। হোস্পিটাল অসিদা ন্যুরো সর্জরি খক্তা নত্তনা ওর্থোপেদিক জেনরেল সর্জরি অমদি অতৈ ন্যুরো মেদিসিননচিংবগী খুদোংচাবা কয়া পীরি। করিগুম্বা এক্সিদেন্ট থোকপা মতমদা মনাক নকপা হোস্পিটালদা অশোকপদু পুখৎপা মতমদা ন্যুরো সর্জন লৈতবদগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নবা থেংনরি। খুদোংচাদবশিং অসি কোকহন্নবগী পান্দমদা লম খুদিংমক্কী স্পেসিয়েলিষ্টশিং লৈবা অনৌবা হোস্পিটাল অসি হাংদোকপনি হায়খি।


# WAYEL SUDOKU

*Puzzle-134*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | | | | | | | | 9 |
| 8 | | | 6 | | | | | |
| | | | | | 5 | 1 | | |
| | | | | | | | 6 | 8 |
| | 2 | | | | 3 | | | |
| | | | | | | | | 4 |
| | | 5 | | | | 2 | | |
| | | | 4 | 3 | | | | |
| | 7 | | | 8 | | | | |

# WAYEL CROSSWORD

*Crossword-154*



**ACROSS**
1 Shopping centre (8)
4 Sporting item (4,4)
9 Send (5)
10 Roadside hotel (5)
11 Music genre (5)
12 Prisoner (7)
13 Horse noise (5)
15 Believe in (5)
17 Deceiving (7)
20 School's former pupils (6)
21 Pertaining to milk (6)
23 Wound dressing (7)
28 Garbage (6)
29 Scandinavian country (6)
30 Nip, pinch (5)
31 Likelihood (6)
33 Kampala's country (6)
35 Bravest (7)
38 University qualification (6)
40 Pictures (6)
42 Retaliation (7)
45 Lodgings (5)
47 Black fur (5)
49 Old (7)
50 Angry (5)
51 Improvise (2-3)
52 Patchwork blanket (5)
53 Parachutist (8)
54 Memorandum (8)

**DOWN**
1 Human being (6)
2 Scottish mountain range (10)
3 Specially-trained soldier (8)
5 Nothingness (8)
6 Variety of pear (10)
7 Bosom (6)
8 Nation (5)
14 ___ Grey, tea (4)
16 Indian garment (4)
17 Filament (5)
18 Was in front (3)
19 Learn bit by bit (5)
20 Drawn (9)
22 Butterfly pupa (9)
24 Arctic whale (7)
25 Document case (7)
26 Edible entrails (5)
27 Children's play apparatus (5)
32 Smouldering coal (5)
33 Unbind (5)
34 Disjointed (10)
36 Female deer (3)
37 Gigantic (10)
39 Repeat (4)
41 Wicked (4)
43 Assess (8)
44 Easily taken in (8)
45 Fast-flowing water (6)
46 Notifies (5)
48 Publication boss (6)

*Crossword-154*

| | | | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | R | E | C | I | N | C | T | | G | O | L | F | C | L | U | B |
| E | | | A | | | O | | S | | B | | | O | | | R |
| R | E | M | I | T | | M | O | T | E | L | | I | N | D | I | E |
| S | | | R | | | M | | A | | I | | | F | | | A |
| O | | | N | | C | A | P | T | I | V | E | | E | | | S |
| N | E | I | G | H | | N | | E | | I | | T | R | U | S | T |
| | A | | O | | | D | | | | O | | | E | | A | |
| | R | | R | | F | O | O | L | I | N | G | | N | | R | |
| A | L | U | M | N | I | | | E | | | L | A | C | T | I | C |
| T | | | S | | B | A | N | D | A | G | E | | E | | | H |
| T | | O | | | R | | A | | T | | A | | | S | | R |
| R | E | F | U | S | E | | R | | T | | N | O | R | W | A | Y |
| A | | F | | | | T | W | E | A | K | | | | I | | S |
| C | H | A | N | C | E | | H | | C | | U | G | A | N | D | A |
| T | | L | | | M | | A | | H | | N | | | G | | L |
| E | | | F | | B | O | L | D | E | S | T | | G | | | I |
| D | E | G | R | E | E | | | O | | | I | M | A | G | E | S |
| | C | | A | | R | E | V | E | N | G | E | | R | | V | |
| | H | | G | | | V | | | | U | | | G | | I | |
| R | O | O | M | S | | A | | T | | L | | S | A | B | L | E |
| A | | | E | | E | L | D | E | R | L | Y | | N | | | D |
| P | | | N | | | U | | L | | I | | | T | | | I |
| I | R | A | T | E | | A | D | L | I | B | | Q | U | I | L | T |
| D | | | E | | | T | | S | | L | | | A | | | O |
| S | K | Y | D | I | V | E | R | | R | E | M | I | N | D | E | R |

*Puzzle-134*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 6 | 1 | 3 | 2 | 7 | 8 | 5 | 9 |
| 8 | 5 | 9 | 6 | 1 | 4 | 7 | 3 | 2 |
| 2 | 3 | 7 | 8 | 9 | 5 | 1 | 4 | 6 |
| 7 | 9 | 4 | 2 | 5 | 1 | 3 | 6 | 8 |
| 6 | 2 | 8 | 9 | 4 | 3 | 5 | 1 | 7 |
| 5 | 1 | 3 | 7 | 6 | 8 | 9 | 2 | 4 |
| 9 | 4 | 5 | 1 | 7 | 6 | 2 | 8 | 3 |
| 1 | 8 | 2 | 4 | 3 | 9 | 6 | 7 | 5 |
| 3 | 7 | 6 | 5 | 8 | 2 | 4 | 9 | 1 |

Owned, Published & Edited by **Ningombam Hemantakumar** & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. **9856088733**